**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-11-2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মহৈরোইশিংগী তুংগী পুন্সি ঙাক শেনদুনা থমবগীদমক সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলে। মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা শিক্ষাগী লমদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি।

ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা চীফ মিনিস্তরস কোচিং স্কিম ফোর এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন টু প্রোফেসনেল কোর্সেস হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা সিভিল সার্ভিস থাগদবা মহৈরোইশিংদা কোচিং ক্লাস তৌননবা স্কোলারসিপ পীরি। কোচিং ক্লাস য়াওবা মহৈরোইশিংনা অতোপ অতোপ্পা কম্পিটিটিব ইগজামশিং মায়োকবদা লায়না থোক্কনি।

ঙসি হৌদোক্লিবা স্কিম অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কোচিং ক্লাস অসি ওন লাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোক্কনি। স্কিম অসিগী মখাদা খনগৎলবা মহৈরোইশিংগী কোর্স ফি রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা পুথোক্কনি। কোচিং ক্লাস লোইরবা মতুংদা এন্ত্রান্স ইগজামশিং পাস তৌনবগীদমক কন্না হোৎননবা পাউতাক পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-জি নৎত্রগা নিট পরিক্ষা পাস তৌরবা মহৈরোইশিংগী মখা লাইরিক তমথবগী শেনফম সরকারনা পুথোক্কনি।

শ্রী বিরেননা হায়-স্কুল ফগৎহনসি মীসনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা স্কুল ১২০ কোনশিল্লে অমদি অতোপ্পা স্কুল ১২০ অমস্ কোনশিল্লগনি। কোলেজ ফগৎহনসি মীসনগী মখাদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা গভরমেন্ট কোলেজশিংদা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবগীদমক দরকার লৈবা তঙাইফদবশিং ফংহন্নবা সরকার

অসিনা হোৎনরি। রাজ্য অসিগী শিক্ষাগী লম অওনবা পুরকবগীদমক স্তার এদুকেসন প্রোগ্রামগী মখাদা ওজাশিংবু ত্রেন্নিং পীরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-'নো মনিপুর' হায়না মিংথোনবা মনিপুরদা য়ুম্ফম ওইবা জেনরেল নোলেজ লাইরিক অমা অথুবা মতমদা পুথোক্লগনি। সরকারনা পায়খৎলিবা 'এক পের-মা কে নাম' কেম্পেইনগী মখাদা কোচিং ক্লাসকীদমক খনগৎলবা মহৈরোইশিংগীদমক উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকবসু মুখ্য মন্ত্রিনা এদুকেসন (এস) দাইরেক্তরদা পাউতাক পীখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর সরকারগা অকাশ এদুকেস্নেল সাভির্সেস লিমিটেদ অমসুং ফিট জি লিমিটেদকা য়ান্ন-ৰারোল অমা সহি তৌনখি। তুংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা খনগৎলবা মহৈরোই ৬৩ দা টেব্লেৎ খুৎশিন্নখি।

**মুখ্য মন্ত্রি(এল)ঃ** প্রাইম মিনিস্তরস ইন্টরনসিপ স্কিমগী পাইলোট প্রোজেক্টকী খুদোংচাবা লৌননবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা রাজ্য অসিগী নহাশিংদা আপিল তৌরি।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহা লাখ অমা লিশিং ২৫ রোমদা ইন্টরনসিপকী খুদোংচাবা পীগনি। স্কিম অসিগীদমক মনিপুরগী ওইনা পুন্না সিট ৭৬ ফংলি। মসি রাজ্য অসিগী নহাশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনগদবনি। শ্রী বিরেননা হায়-ইন্টরনসিপকী মতম চহি অমা ওইগনি। মসিগী মনুংদা থা তরুকা খুৎ-শা হৈবগী ত্রেন্নিংশিং পীগনি। মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা থাগী ওইনা লুপা লিশিং মঙা-মঙা শেলগী তেংবাং পীগনি। মসিগী মনুংদা লুপা লিশিং ৪,৫০০ না কেন্দ্রগী মন্ত্রালয়না পীগনি অদুগা লুপা ৫০০ না সি.এস.আরগী খুত্থাংদা পীগনি।

কেন্দ্রগী কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না প্রাইম মিনিস্তরস ইন্টরনসিপ স্কিম ২০২৪ গী এপ্লিকেসন কৌরি। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু

খুৎশা-হৈবগী ত্রেন্নিং পীবগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা খুৎশা হৈবা মীওই অমমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। পাইলোট প্রোজেক্ট অসি ওন লাইন পোরটেল-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট পিএম ইন্টরনসিপ দোট এম.সি.এ. দোট গোভ দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি। চহি ২১ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন নৎত্রগা টুয়েল্ভ নৎত্রগা পোলি-টেকিক নৎত্রগা দিপ্লোমা নৎত্রগা গ্রেজ্যেট পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা স্কিম অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি।

**লৈশেম্বা (এল) ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাকচিং খুল্লেন গোবিন্দগ্রাম অৱাং লৈকাইদা ওপন জিম অমদি পাব্লিক পার্ক ঙসি শঙ্গাখ্রে।

রাজ্যগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা অমদি ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খুরাইজম লোকেন সিংহ শরুক য়াখি।

**মেলা (এল)ঃ** নেসনেল হেন্দলুম দিবলপমেন্ট কো-ওপরেসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী মফম ৭৫ দা অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা পাইলোট প্রোজেক্টকী খনগৎপদা বিষ্ণুপ্র জিলাগী ৱাহেং খুম্মন য়াওরে।

মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিবলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদনা শিনদুনা মমাং থাগী ২৪ দগী চথরকপা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হটকরঘা-মেলা) লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্তর-শ্রী ই. জিতেন সিংহনা হায়-পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ফিশাবী অমনা দরকার ওইবা পোৎলমশিং মফম অমত্তদা ফংগনি। মহাকা হায়-পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ওর্গানিক্কী ওইবা ফি মচু শঙবা, ফিশাকোল, ফিশাফম অমদি লংনচিংবা ফংহনদুনা হেন্দলুমগী পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকবগীদমক্তনি।

শ্রী জিতেননা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মেলা অসিদা অতৈ রাজ্যশিংদগী লাক্তুনা শরুক য়ারগদবা অদু হন্দক্কী অসিদদি য়াওবা ঙমদ্রে।

হন্দক্কী মেলা অসিদা লুপা লাখ ৪০ হেনবগী পোৎলমশিং য়োনখি হায়রদুনা মহাক া হায়-ফিশাবীশিংনা মীয়ামনা হেন্না পামগদবা পোৎশিং দিজাইন্নরশিংগা তান্নদুনা শাবগী তঙাইফদবা লাক্লে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা নুমিৎ ১৪ নি চগ্থরকখিবা মেলা অদুদা তোঙান তোঙানবা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী স্তোরল ৬০ হেন্না হাংখি।

**বসন্তা (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী মাওদা শাবা জ্দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস কোর্ট (জে.এম.এফ.সি.) বিল্ডিং, আইন অমসুং শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তা সিংহনা ঙসি ভরচুয়েল ওইনা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ. লোসি দিখো, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-সিধারত মৃদুল, জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহ, জষ্টিস-এ. গাইনেশ্বর শর্ম্মা, জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুলসিলু কবুই শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বসন্তানা হায়-নাগালেন্দগী ঙমখৈ ওইরিবা মাওদা অসিগুম্বা কোর্ট অমা থম্বা অসিনা লমদম অদুগী মীয়ামদা অচুম্বা বিচার ফংহনবদা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়-মফম অদুগী চৎনবী মতুং ইন্না বিচার তৌবগী চৎনবী লৈরবসু অসিগুম্বা কোর্ট মাওদা থম্বা হায়বসি য়াममक তঙাইফদে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ জষ্টিস-সিধারত মৃদুলনা হায়-ঙসিগী কোর্ট শঙ্গাবা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামনা কুইনদগী মঙদুনা লাকপা মঙলান মংফাওনহল্লে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়-কোর্ট অসি লুপা কোতি মরি লাখ ৫৩ চংনা শাবনি। কোর্ট অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী শেন্থং মখাদা পায়খৎপনি। মসিদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুদোংচাবা য়াওনা অতৈ খুদোংচাবা কয়া লৈরি।

**রঞ্জন (এল)ঃ** হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কোন্থৌজম কেন্দ্রগী মনুং চনবা মোইদাংপোক অৰাং লন্মীগী কোইলা থাবগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

লন্মী অসিগী কোইলা থারম্বগী ফিভম অদু উবদা মন্ত্রিনা অপেনবা ফোংদোকখি। কোইলা থাবা অসিনা মোইদাংপোক অৰাংগী অকোইবদা লৈরিবা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**থৌবাল (এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা রাইজ রিছার্স ষ্টেসনদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী শেন্থোক লন্মী শেমগৎপগী পান্দমদা ফি তুবগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ তরানি চুপা চথুগদবা ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুবাসনা হৌদোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমদি বোহো মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপনি। উত্তরাখন্দগী মুশুরিদা লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রি নেসনেল একাডমী এদমিনিষ্ট্রেসনগী শেন্থং মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা অহন্থেম সুবাসনা হায়-জিলা অসিদা লৈরিবা রিলিফ কেম্প অহুমদা চংজফম লৌরিবশিংগী শেন্থোক লন্মী লৈহন্নবা সরকারগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরি। মসিগী মনুং চন্না জিলা অসিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার-অরবিন্দ হংলেমনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তা অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনি।

প্রোজেক্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংদা মখোয় মখোয়গা চান্নবা থবক পীনবা য়ান্ন-চে অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং বোহো মনিপুরগা সহি তৌনখ্রে।

**চান্দেল (এল) ঃ** জেট.ই.ও. চান্দেল অমদি সমাগ্রাহ শিক্ষা মনিপুরনা খুৎশমরগা

শিনবা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোকপা প্রাইম মিনিস্তরস স্কুল ফোর রাইজিং ইন্দিয়া (পি.এম-শ্রী) স্কিমগী টৌইন্তি ফাইব ডে প্রোগ্রাম, জেট.ই.ও. চান্দেলদা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

জিলা অসিগী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা লৈবা স্কুল মঙাদগী খনগৎলবা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অথোই অহেন তান্নখি। জেট.ই.ও. চান্দেল-শ্রী য়ুমাম হেমচন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী স্কুলশিংগী প্রিন্সিপাল, হেদ মাস্তর অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি। মকোক মথং তারক্লবা মহৈরোইশিংদা সার্টিফিকেট অমসুং মনা য়েন্থোকখি।

**রেদ (এল) ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা শিনদুনা ভোলুন্টিয়ারশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুরগী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন-শ্রী পরক বোরকারনা ওর্গনাইজেসন অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ভোলুন্টিয়ার কয়ামরুম শরুক য়াখি। থৌরম অদু ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি-শ্রী এ. নবাচন্দ্রনা হৌদোকখি।

**ককচিং (এল) ঃ** য়েংখোক নেত্রামনি কোলোজ ওফ নর্সিং-ককচিংগী বি.এস.সি. নর্সিংগী মরিশুবা বেটচকী ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুর হেলথ সার্ভিসেসকী রিটয়ার্দ এদিসনেল দিরেক্তার-য়েংখোম মণিচন্দ্র, কোলেজ অসিগী মেনেজিং দিরেক্তর-অশোককুমার অমসুং প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার মাইবম কুমুদিনিনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

**নিশাঃ** ময়াই কাবা নিশা চাবা, য়োনবা য়াওনা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা থবকশিং চথুরকপা থিংনবগী ৱাখল্লোন্দা শেমখিবা ক্ষেত্রিগাউ মীতৈ পাঙল য়ুনাইটেদ ক্লবনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা ফারমাসিশিংনা ডাক্তরগী অইবা চে য়াওদনা নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা হিদাক অমদি সিরিন্সনচিংবা য়োনবীগনু হায়না আপিল তৌরি।

**আমেরিকাঃ** দোনাল্ড ত্রম্পনা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি মীখলদা মায় পাক্লে। মহাকা আমেরিকাগী ৪৭ শুবা রাস্ত্রপতি ওইরগনি।

দোনাল্ড ত্রম্পনা দেমোক্রেট মীরেপ-কামালা হেরিসপু মায়থিবা পীরম্বনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা দোনাল্ড ত্রম্পনা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়- দোনাল্ড ত্রম্পনা অনিরকশুবা ওইনা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি ওইরকপা অসিনা ভারত অমসুং আমেরিকাগী লৈনরিবা মরি হেন্না চেৎশিলহন্নবা মীৎয়েং থমলি।

**মিজোরাম ঃ** মিজোরামগী আইজোল অমদি চম্ফাই জিলাদগী ঙসি য়াম্লবা দ্রগ ফাগৎলে।

অসাম রাইফলস, এক্সসাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্ট, কস্টমস, চম্ফাই প্রিভেন্টিব ফোর্স, স্পিসিএল নার্কোটিক্স পুলিস ষ্টেসন, সি.আই.দি (ক্রাইম) আইজোলনা তোঙান তোঙাননা চথুবা ওপরেসনদা লুপা লাখ ৯৭ লিশিং ৯৫ রোমগী হেরোইন নম্বর ফোর অমদি আইননা য়াদবা ক্বা সুপারিশিং য়াওরি। লুপা লাখ ৩৯ লিশিং ২০ লোমগী সুপারি বেগ ৭০ ফাগৎখি। ঙসি চথুখিবা ওপরেসন অদুদা দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা মীওই অহুমসু ফাগৎলে হায়রি।

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** নুপাগী ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভরসিতি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ঙসিদগী ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হৌদোকখ্রে।

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিনা এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভরসিতিগী মখাদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি মথং থাগী ১০ ফাওবা চথ্লগনি।

**জদো (এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কোলেজ, নাউরেম রাজেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল জদো টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ অমদি নাউরেম ওংবী তম্পাকলৈমা দেবী মেমোরিএল জদো টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫, থা অসিগী ১৫ দা খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি বাবুপারাগী জে.সি.আর.ই. গ্লোবেল কোলেজনা শিনবনি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মখাদা লৈবা মহৈ লোইশঙশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা মরি লৈনবা শান্নরোইশিং থারকবা হায়রি।

**বাস্কেটবোল (এল)ঃ** চিংঙামথক য়ঙ লন্নরস ক্লবনা শিনদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা সি.ৱাই.এল.সি. ষ্টেট ওপন বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবদা ৱাই.ও.এস.সিনা ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ২৮-২৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা সি.ৱাই.এল.সিনা বোনথরবু পাঞ্জল ৭৩-৫০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দ মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা য়েসদান নিংথৌখোংবু রন-২০৫ থোইখি।

**টেনিস(এল) ঃ** লমফেলপাৎ ইম্ফালদা চথরিবা এ.আই.টি.এ. মেন্স ৱান লাখ নেসনেল রেঙ্কিং টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ভুষন হাউবম, শঙ্কর হৈস্নাম, রাকেশ বিমল, অনিশ প্রসান্তনা মাগী মাগী লম্বাশিং থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

দবল মেটচতা-শঙ্কর হৈস্নাম অমসুং ভুষন হাউবম অমদি এস. অনশুমান অমসুং এস. অনশুমত মাগী মাগী লম্বাশিং থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

**বোক্সিং(এল) ঃ** হন্দক্তা য়ু.এস.এগী কোলোরাদোদা পাঙথোকখিবা চহি ১১ মখাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী মহুৎ শিল্লিবা মনিপুরগী বোক্সর-থোকচোম সুপ্রিয়া দেবীনা লুপাগী তকমান লৌরকপদা য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টর্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**আইপিএল ঃ** ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ২০২৫ গী ওক্সন সাউদি অরাবিয়াগী জেদাহদা মথং চহিগী মার্চ ২৪ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ৱাফম অসি বি.সি.সি.আইনা লাউথোকখিবনি।

আই.পি.এল ২০২৪ গী ওক্সন দুবাইদা পাঙথোকখ্রবা মতুং সাউদি অরাবিয়ানা পাঙথোক্কদবা অসিনা লিগ অসিগা মরী লৈননা ভারতকী মপানদা পাঙথোকপা অনিরকসুবা ওক্সন ওইরগনি। ওক্সন অসিদা পুন্না ক্রিকেটর লিশিং ১,৫৭৪ য়াওরি। মদুগী মনুংদা ক্রিকেটর লিশিং ১,১২৫ দি ভারতকী শান্নরোইশিংনি, ৪০৯ না মপান লৈবাক্কী শান্নরোইশিংনি।